**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কংগ্রেস এম.এল.এ- ওক্রম শুরজাকুমারনা হায়রি- সংসদতা মণিপুরগী পুথোকখিবা বজেৎ অদু রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগা চান্নবা ৱাৎলি, চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা কা হেন্না মীৎয়েং চংবা ঙমলোইদবগী মমি তাই।

২) ককচিং জিলাগী ৱাংঙু লাইফম অৱাং চীংয়া অমদি ৱারুকোক হিল রেঞ্জতা ঙসি চত্থখিবা ওপরেসনদা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

৩) প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অরুন কুমার সিনহা হায়রি- গাড়ি সাইলেন্সরদা মখোল কা হেন্না হৌবা অমদি হরাউ কুম্মৌনচিংবদা অহৌবা স্পিকর শিজিন্নবনা নিল খোংবগী চাং হেনগৎহল্লিবা অসি মীয়াম পুন্না শেমদোকমিন্নবা চংই।

৪) মণিপুরগী মফম খরদা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাউ য়াওবা নোংৌলে নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি।

অমসুং

৫) মাউরিসিয়সগী রাষ্ট্রপতি ধরমবির গোখুলনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিল্লিয়ান এৱার্দ- গ্রান্দ কম্মান্দর ওফ দ ওর্দর ওফ দ ষ্টার অমসুং কি ওফ দ ইন্দিয়ান ওসিনগী মনা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা পীখ্রে।

------

শুরজাকুমার (এল)ঃ কংগ্রেস এম.এল.এ- ওক্রম শুরজাকুমারনা হায়রি- কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না মণিপুরগী পুথোকখিবা বজেৎ অদু রাজ্য বিধান সভাদা পুথোকবা শেম শাখিবা বজেৎনি। বজেৎ অসিগী মনুংদা চাদা ৫০ দি লোন শিংবা অমদি কর্ম্মচারিশিংগী তলব অমদি পেন্সন্নচিংবা পীথোকপদা চৎখ্রগনি। মরম অদুনা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা কা হেন্না মীৎয়েং চংবা ঙমলোইদবগী মমি তারি।

ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম.এল.এ- ও. শুরজাকুমারনা হায়- রাজ্য অসিগীদমক কেন্দ্র সরকারনা অখন্নবা বজেৎ সংসদতা পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্লুবগী ওন্ন-তৈনবদা হান্ননা শেম শারম্বা বজেৎ অদুদা শেমদোক শেমজিন খরা তৌরগা সংসদতা পুথোরকপা অসি লাইবক থিবনি। মহাকা হায়- পুথোকখিবা বজেৎ অদুগী মনুং চন্না লম্বী থোং শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি থাজবগী ৱাংমদনি।

অমরোমদা, সংসদতা পুথোকখিবা বজেৎ অদুদা রাজ্যগী ওইনা লাক্কদবা রেভিন্যু অসি হান্নদগী শরুক অনি হেনগৎকনি হায়রিবা অসিসু করমা ওইথোক্কদৌরিবনো হায়না শ্রী শুরজাকুমারনা ফোংদোক্লদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওই লিশিং ৬০ রোম হেনবগী ইমুং লিশিং ১২ রোম অসিগীদমক বজেৎ অসিদা লুপা কোতি ৩৫ খক হাপ্লিবা অসি চান্নবা ৱাৎলি। রাজ্য অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি মেনখৎনবা ঙমবা অহেনবা মীৎয়েং চংবীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ ককচিং জিলাগী ৱাংঙু লাইফম অৱাং চীংয়া অমদি ৱারুকোক হিল রেঞ্জতা ঙসি চথখিবা ওপরেসনদা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা ককচিং জিলাগী এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রমগী লিচিং মখাদা হায়রিবা মফম অসিদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। মদুদা এস.এম.জি কার্বাইন ১, সিঙ্গল বেরেল ২, শেমদোক্লবা থ্রি নোট

থ্রি রাইফল ১, রিভোলভর ১, গ্রেনেদ ৪, আই.ঈ.দি ৩, টিয়ার স্মোক গ্রেনেদ ১, টিয়ার স্মোক সেল ৪, এন্তি রাইওট সেল ১ অমদি নোংমৈ মরু কয়া য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

থৌদোক অসি মখা তানা থিজিন্নবগীদমক ৱাংঙু পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

ত্রেনিং (এল)ঃ মনিপুর পোলুসন কন্ত্রোল বোর্ডনা শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসর অমসুং পুলিস পার্সোনেল য়াওনা অকোইবদা নিল খোংবগী চাং লেপথোকবগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেনিং হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যগী ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অরুন কুমার সিনহা, রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজকুমার সিংহ অমদি মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি ডাঃ দব্লিউ. রোসন শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অরুনকুমার সিনহানা হায়- গাড়ি সাইলেন্সরদা মখোল কা হেন্না হৌবা অমদি হরাউ কুম্মৈনচিংবদা অহৌবা স্পিকর শিজিন্নবা অসিগুম্বা অসিনা নিল খোংবগী চাং হেনগৎহন্নবগী মচাক ওইহল্লি। অসিগুম্বা কয়া অসি মীয়াম পুন্না ৱাখল তামিন্নদুনা শেমদোকমিন্নবা চংহ।

মেলা (এল)ঃ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিং য়োনবগী মেলা অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিংনা শাবা পোৎলমশিং য়োনবা মেলা অদুদা ঙসিগী ওইনা চাউরাকা লুপা লাখ ১ হেনবগী পোৎলমশিং য়োনবা ঙমখি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- জিলা অসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মাওইশিংগী শেন্দোক লন্বী লৈহন্নবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা খুৎ-শা হৈনবগী ট্রেনিং কয়া পীদুনা লাক্লি। মদুগী মহয় ওইনা ঙসি পোৎলম কয়া পুথোক্কুনা মীয়ামদা ফংহনবা ঙমলে।

তমেংলোং (এল)ঃ অসাম রাইফলস অমসুং তমেংলোংগী জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালায়াগা খুৎশমদুনা ঙসি মহৈ তম্ফমশঙ অসিদা বেগলেস ডে থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি অসাম রাইফলসনা মহৈরোইশিংনা মহৈ মশিং তম্বদা হেন্না নুংঙাইবা মওংদা তমবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী লাইরিক খাউশিং য়ুমদা থম্লমদুনা মহৈ তম্ফমশঙদা লাক্লগা শান্ন-খোৎনবা অমদি অতৈ তোঙান তোঙানবা হিরমদা তানশিনবা য়াবা লৌশিং ফংহনবনি।

মহৈ তম্ফমশঙ অদুগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী পাসর্সোনেলশিংগা মহৈরোইশিংগা ৱারা ৱাতাই শান্নখি। অদুগা অসাম রাইফলসকী মতাংদা দোক্কুমেন টরি ভিদিওশিংসু উৎখি।

উ (এল)ঃ ককচিংগী গ্রেস কোটেজ কলচর এন্দ ইজ্কেসনেল দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন অমসুং ষ্টুদেন্টস লাইব্রেরি এসোসিয়েসন অনিনা শিন্দুনা ঙসি ককচিংদগী পল্লেল তাবা লন্বী- লৌয়াই লন্বীদা উ চারাশিং থাখ্রে। ককচিং কেন দ্রগী এম.এল.এ- রামেশ্বরনা লুচিংদুনা উ চারা থাবা অদুদা ওজাশিং, মহৈরোইশিং অমদি এসোসিয়েসনগী থৌমীশিং শরুক য়াখি।

মেট (এল)ঃ মণিপুরগী মফম খরদা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগীনা কিলোমিতর ৪০ ফাওবা য়াংনা শিৎপা নুংশিৎকা লোয়ননা অখাক অরাউ য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং,জিলাদা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৫ ফাওবা হায়রিবা নোংলৈ নুংশিৎ অসি শিৎলবা য়াই।

তমেংলোং অমদি সেনাপতি জিলাদনা নোংলৈ নুশিৎ অসি থা অসিগী ১৬ ফাওবা শিৎলবা য়াই। অদুগা জিরিবাম, নোনে অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাদনা ঙসি অমসুং হয়েং নোংলৈ নুংশিৎ লৈগনি।

চুরাচান্দপুর অমদি ফোরজোল জিলাদনা হয়েং নোংলৈ নুংশিৎ লৈগনি হায়না রিপোর্ট অসিনা হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা মেট সেন্তর ইম্ফালগী সাইন্তিষ্ট বি- পি.অম্বেদকরনা হায়- নোংলৈ নুংশি লৈগদবা মরমা মীয়ামা লমহাং তুমহাংদা থবক শুবা মতমদা মীয়ামা চেকশিন্নবা লৈবীয়ু। নুমিদাংৱাইরম অমদি নুমিদাংগী মতমদা অখাক অরাউ য়াওনা নোংলৈ নুশিৎ শিৎকদবা লৈবনা হায়রিবা মতম অসিদা মীয়ামা লম্বী শোরোক্তা অমদি লমহাংদা লৈবীদনবা মহাকা মখা তারি।

গ্লুকোমা (এল)ঃ মালেমদগী গ্লুকোমা লায়না মরু ফংনা মুখৎনবগী পান্দমদা মালেম পুম্বদা পাঙথোক্লিবা ৱার্ল্ড গ্লুকোমা ৱিক ২০২৫ মনিপুরগী ওইনসু ঙসি ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রন্দেদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চম্বো গোলমৈ, ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর-ডা: এম. দিনেস সিংহ অমদি ফেমিলি ৱেলফিয়ারগী দাইরেক্তর-ডা: এন হেমন্তকুমার শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দাইরেক্তর ডাঃ চম্বোনা হায়- গ্লুকোমা হায়বা লায়না অসিনা মীওইববু পুন্সি চুপ্পা মীৎ তাংহনবা য়াবগী মরম অমা ওইরিবনি। হায়রিবা অনাবা অসি মালেমগী ওইনা মীওই লাখ ৮০ রোমদা নাহল্লি হায়রি। রাজ্য অসিগী ওইনা চপ চাবা মশিং খঙবা ঙমদ্রবসু লায়েংবা লাকপদা গ্লুকোমানা নাবা মীওই কয়া অদুমক থেংনৈ। মহাকা হায়- হায়রিবা অনাবা অসি মরুওইনা দাইবেটিস, হাইপর টেন্সন্নচিংবা লৈবা মীওইশিং অমদি চহি য়ামশিল্লক্লবা

মীওইশিংদনা হেন্না নাগল্লি। লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

এনজিও (এল)ঃ ৱিমেন কমিতি ওফ য়ুনাইতেদ এন.জি.ওস মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা কমিতি অসিগী কনভেনর সোবিতা মংসাতাবমনা হায়- নুপী ওইবীশিংবু ওৎপীবা অমদি মান্নদবা মীৎয়েং থল্লিবা মখৈ জেন্দর ইক্কেলিতি এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট রোল ২০৩০ গী রোল নম্বর ফাইভতা য়াওরিবা নুপা নুপী থোং মান্নবা অসি কৈদৌনুংদা পুরকপা ঙমলোই।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী হাওচোং সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা বকুৱা ভিলেজদা নৌনা শাগদবা ইরিং এরিয়া মার্কেতিং সেদ ঙসি হাওচোংগী এস.দি.ও- ঐচ.এল. খৃষ্টান-হোমনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে। মার্কেতিং সেদ অসি ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং লম্বীগী য়ামা মরুওইবা মফম অমা ওইগদৌরিবনি। লম্বী অসি এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী শেন্থং মখাদা শেমগৎপগী থবক চথুরি।

তোবেকো (এল)ঃ নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ত তোবেকো কন্ত্রোল সেল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ঙসি জাতি থাক্কী নো-স্মোকিং ডে পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। পাৎশোই পার্ট ফোরদা লৈবা মিল্লেনিয়ম স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হিদাকমনা শিজিন্নবদা মীওইবদা মাংজবগী মতাংদা অমদি হিদাকমনাগী মতাংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা এক্টশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

পিএম ঃ মাউরিসিয়সগী রাষ্ট্রপতি ধরমবির গোখুলনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিল্লিয়ান এৱার্দ- গ্রান্দ কম্মান্দর ওফ দ ওর্দর ওফ দ ষ্টার অমসুং কি ওফ দ ইন্দিয়ান ওসিনগী মনা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা পীখ্রে।

ঙসি মাউরিসিয়সকী চেম্প দি মার্সতা পাঙথোকপা লৈবাক অসিগী নেসনেল ডেগী থৌরমদা মনা অসি খুৎশিন্নখিবনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভারত মচাশিংগী মনুংদা মনা অসি ফংবা অহানবা ওইরে।

মাউরিসিয়সকী নেসনেল ডে থৌরমগী পেরেদতা ভারত নেভিগী কাংবু অমসু শরুক য়াখি। মদুগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মাউরিসিয়সগী প্রধান মন্ত্রি ডাঃ নবিনচন্দ্র রাম গুলমগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরুওইবা ৱাফমশিং খন্নখি। লোয়ননা মখা তানা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা মতেং পাংননবা য়ান্নখি। নেসনেল এসেমব্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি ডাঃ নবিনচন্দ্রনা হাই ইম্পেক্ট কম্ম্যুনিতি দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ২০ গা লোয়ননা ইন্দিয়া এসিষ্টেদ এরিয়া হেলথ সেন্তর ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শঙ্গাখি। থৌরাং অসিনা মাউরিসিয়সকী হকশেলগী লম য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা খুমাং য়াংশিনহন্দুনা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি হায়রি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো (এল)ঃ মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা ৩৭ শুবা এন.হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈনা ইবুধৌ মার্জিং পোলো ক্লব হৈঙাংবু পাঞ্জল ১২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অনিসুবা গ্রাউন্দদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-এনা রুপকুমার পোলো ক্লব-এ নাগামপালবু পাঞ্জল ৯-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। অহুমসুবা গ্রাউন্দনা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা য়ুনিভর্সিয়েল পোলো ক্লব-এ লাঙ্গোলবু পাঞ্জল ১১-৪ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ৮ মায়থিবা পীখ্রে।

সেদোক গ্রাউন্দা কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা পি.টি.সি.সি পাৎশোইনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর টোৈইন্তি থ্রি হাওবম বিরমঙ্গোল সিংহ মেমোরিএ ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী লিগ মেটচ তা রেজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকাইনা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখানা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ১৯১ দা মায়থিবা পীখি।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহালাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা সুপর নোকআউট মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা চেম্প ক্রিকেট ক্লবপু রন ৫০ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল (এল)ঃ অনিশুবা দিবুং কমচোর মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোহজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪ গী ঙসি হৈনৌবোক ৱাই.সি.ডব্লিয়ু.ও. গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা- পোলোই ফুটবোল ক্লবনা য়ু.এস.এবু পাঞ্জল ১৮-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তর অমদি টি.ৱাই.দি.এ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিয়েসন্না কোকিলবোন এস.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ সমুরৌ চিংগো ট্রোফি ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- ঐচ.এফ.সি হাওরৈবীনা অচানবীগৈ এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-১ দা, মালেম এফ.সিনা এস.এল.এফ.সিবু ৩-১ দা, ৱাই.এস.সিনা এম.এফ.সি.সিবু ২-১ দা, এন.সি.পিময়াংইম্ফালনা পি.এ.সি পুখ্রম্বমবু ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

------